**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং অমসুং আইন্না য়াদবা ড্রগশিং ফাগৎপা লেপত্রি, পোপ্পি পাম্বীশিং য়ান্ৎপসু মখা চত্থরি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহৌশাগী পোত্থোকশিং তুংগী মীরোলগীদমক হৈ শিংনা শিজিন্নবা তঙাইফদে।

------

গেমস (এল)ঃ মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে।

গেমস অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩০ হেনবদগী লাকপা শান্নরোইশিংনা ৱুসু, আরচরি, জ়্দো, ফুটবোল অমসুং ফেন্সিংনচিংবা মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নগদৌরি। শান্নরোইশিং অদুগী ফজরবা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্ট অমগী সলামি রাজ্যপালনা ওকপগা লোয়ননা গেমস অদু হৌদোকখি। রাজ্যপালনা গেমস অদুগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা হৌনবী মতুংইন্না নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ অসি মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা অসি থোইদোকা চাউথোকচনিঙাইনি। গেমস অসিনা নহারোলশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইবা, থকশি খাশি লৈবা অমসুং শান্ন-খোৎনবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহনবা ঙল্লগনি। রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট অমদি স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াবুসু গেমস অসি পাঙথোকপগীদমক রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। রাজ্যপালনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ফিট ইন্দিয়া

মুভমেন্ট অমসুং খেল্লো ইন্দিয়ানাচিংবা থৌশিলশিং পায়খৎতুনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু মশা মউ ফনা অমদি তিনজং কাইজংদনা থমবা হোৎনরি।

তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্কদবা গেমস অসিদা থা অসিগী ১৮ ফাওবনা ৱুসু অমসুং আরচরি মশান্নশিংদা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমসুং আরচরি মশান্নশিং অথোই অহেন তান্নগনি। ৱুসুদা শান্নরোই ৪৩৭ অমসুং আরচরিদা শান্নরোই ৬৮৩ না শরুক য়াগনি।

অনিসুবা তাঙ্ককা থা অসিগী ২৩ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিদা জ্দো অমসুং ফুটবোল মশান্নশিংদা অথোই অহেন তান্নগনি। অহুমসুবা তাঙ্ককা থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী ৩ ফাওবা ফেন্সিং মশান্নদা চাংদমবশিং পাঙথোক্কনি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জে.এন. মণিপুর দান্স একাদমিগী কাংবুনা উৎপা জগোইগী থৌরম, আর.সি.সিগী শান্নরোইশিংনা উৎপা ৱুসু কোরিওগ্রাফি অমসুং নাৎকী ওইবা পুং চোলোমশিংনা ভাবোক চা কয়াগী পুকিং চিংশিনখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং অমসুং আইন্না য়াদবা ড্রগশিং ফাগৎপা অমদি পোপ্পি পান্বীশিং য়াস্থৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই খুনৌদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক

অচোম লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রিপুখ্রি লমলোংগে মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি (নোয়োন)গী মীওই অহুমসু রাজ্য পুলিসনা ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট-টু লৌখোংপাৎতা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী আইন্না য়াদবা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা রাজ্য পুলিসনা ফারে। মঙোনদগী মেথাদোন গ্রাম ৮৪ ফংলে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী লমজাং ভিলেজদগী মীওই অমদগীসু সাপোন কেপ ২২০ দা হাপ্তুনা থল্লম্বা হিরোইন ফারে। মঙোনদগী বোলেরো অমসু ফাগৎলে হায়রি।

মরক অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং কামজোং জিলাগী মনুং চনবা নুংফু চীংশাংদা লম একর ১৫ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

এআর (এল)ঃ চুরাচান্দপুরদা লৈবা সেক্তর হেদক্বাটরসতা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদদা ইন্দিয়ান আর্মিদগী থবক্তগী পোত্থারবা মীওই ৪৪, অসাম রাইফলসতগী থবক্তগী পোত্থারবা মীওই ৩৫, বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্সতগী থবক্তগী পোত্থারবা মীওই ৩৯ অমসুং সি.আর.পি.এফতগী থবক্তগী পোত্থারবা মীওই ২৬ পুন্না ভেটরান ১৪৪ না শরুক য়াখি।

অসাম রাইফলসকা পাউনা হায়- ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা কাংকাপ ভিলেজদা নৌনা শাবা তোইলেট ব্লোক অমসুং ঈশিং থমবা মফম অমা মফম অদুগী মীয়ামদা শিন্নখ্রে। লমদম অদুগী মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা কাংলুপ মশেলগী নুংশি চান্নবা অমদি থাজনবা হেনগৎহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ওল্ড সোমতালগী ও.সি, চন্দ্র খোংগী সোসিয়েল মিদিয়া ইনফ্লুয়েন্সরশিং, ঙাইরাংবম ৱার্দ মেম্বর, কৈনৌ হাইস্কুলগী  ওজা অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৌমীশিং অসি জাতি অসি শেমগৎপদা চাউনা থৌদাং লৌরি। মখোয়না কন্না হোৎনবদগী ভারত অসি মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী খোঙজং হেন্না কনখৎহল্লে। লৌমীশিংবু শক্তি পীবা হায়বসি কেন্দ্রগী অচেৎপা ফিরেপনি অমদি হিরম অসিদা চোকথবা লৈতনা থবক পায়খৎলি।

নিউ দিল্লিদা লৈবা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংকী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ এল. মুরুগনগী য়ুমদা পাঙথোকপা পোংগাল কুম্মৈদা শরুক য়ারদুনা পধান মন্ত্রিনা হায়- পোংগাল কুম্মৈনা তামিলনাদুগী পাক চাউরবা সংস্কৃতিগা মহৌশাগা লৈনরিবা মরী অদু উৎলি। কুম্মৈ অসিনা মহৌশা, ইমুং মনুং অমদি খুনাইগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু উৎলি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক লৈহাও মাংহন্দনা থন্বা, ঈশিং য়োক্তুনা থন্বা অমদি মহৌশাগী পোখোকশিং তুংগী মীরোলগীদমক হৈ শিংনা শিজিন্নবা তঙাইফদে। শ্রী মোদিনা হায়- মিসন লাইফ, এক পের মা কে নাম অমসুং অমৃট সরোভরনা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি পুকিং থৌগৎলি।

মুরমু ঃ    রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মর্মু নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি পঞ্জাবতা চৎকনি। মহাকা অমৃটসরদা লৈবা গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিতিগী ৫০ শুবা গোল্ডন জ্বিলি অমসুং কনভোকেসনদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি। রাষ্ট্রপতিনা হয়েং জলন্ধরদা ডাঃ বি.আর. অম্বেদকর নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী ২১ শুবা কনভোকেসনদসু শরুক য়াগনি। মহাকা মহৈরোই লিশিং ১,৪৫২ দা দিগ্রিশিং য়েন্থোক্কনি।

মোদি ঃ কম্মনৱেলথকী স্পিকর অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারশিংগী ২৮ শুবা মীফম প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোক্লগনি। লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা মীফম অদুগী সভাপতি ওইগনি। কম্মনৱেলথ লৈবাক ৪২ গী স্পিকর অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসার ৬১ না মীফম অসিদা শরুক য়াগনি।

মপাঙ্গল কনবা গনতন্ত্র লৈহন্নবা হোৎনবদা স্পিকর অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু মীফম অসিদা খন্নগনি। সংসদকী থবক থৌরমশিংদা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স শিজিন্নবা, সোসিয়েল মিদিয়ানা সংসদ সদস্যশিংদা পীরিবা শাফু অমসুং সংসদতা চখ্থরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা ৱাফমশিংসু মীফম অসিদা খন্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীতৈ ঙানু মণিপুরগী তোপ তোপ্পা ঙানু ব্রিদ অমা ওইনা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেগী এনকর কলমদা ফোংলি।

ইন্দিয়াগী মিলিটরিগী পুৱারিদা ঙমখৈ ঙাকপদা অমদি নেসনেল সেক্যুরিতিদা মণিপুরীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি হায়বা গর্ভনর আজয় কুমার ভল্লাগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ষ্টেটকী থাক্তা ৩৭ শুবা ড্রাইভরস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, ড্রাইভরগী শিনফমদা লৈরিবশিং ষ্টেট ইকোনোমিগী য়াংলেন শরুনি হায়বা অনুরাগ ভাজপায়গী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

২৮ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল ড্রামা ফেষ্টিভেলগী মনা য়েন্োকখিবগী পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুরগী পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা শেমবগী গুৱাহাতিদা লেপ্তুনা মীফম কয়া পাঙথোক্লি হায়বা পাউ অমা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকি এম.এল.এশিংনা নৌহৌননা সরকার শেন্বা পান্লি হায়বা পাউ অমা তমেংলোং টাইমতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি

আই.দি.পিশিং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহন্নবগী চপ চাবা মতম রাজ্য সরকারনা পীবা ঙমদ্রে হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নেসনেল রোড সেফতি মন্থ পালন তৌখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পান্বেনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকা ভারত সরকারগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নখিবা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রিপাব্লিক ডেগী মাংওইননা সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না তেরে মেরে সপনে প্রোগ্রামগী মখাদা নহাশিংদা চহি চুপ্পা মেরিতেল কাউন্সেল্লিং পীরগনি হায়বা পাউ অমা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------